**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-08-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৯-০৮-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইহিরিপোক তোপ চিংথাগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনি অমদি ড্রগ ললোনবা মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

২) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী মতুং ইন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট য়াওনা মণিপুরগী জিলা ১১ দা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি ভিক্সিট ভারত রোজগার য়োজনাগী মখাদা প্রধান মন্ত্রি ভিক্সিট ভারত য়োজনা পোর্তেলদা ওনলাইনদা রেজিস্ত্রেসন তৌবা হৌরে।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইহিরিপোক তোপ চিংথাগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনি অমদি ড্রগ ললোনবা মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- মণিপুর পুলিসনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী লেপ্তুনা চথুরি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইম্ফাল ঈষ্ট জিলাগী য়াইরিপোক তোপ চিংথাদগী মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবা মীওই অনি ফাখি। ফারবা মীওই অনি অদুগী মনুংদা অমদি সি.আই.দি স্পিসিয়েল ব্রাঞ্চতা এতেষ্ট তৌদুনা লৈবা পুলিস কন্সতেবলনি। মীওই অসিগী মথক্তা দিপার্টমেন্তেল এনক্বারি চথুবগা লোয়ননা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং নেসনেল হাইৱে নম্বর টুগী টি খুলেনদগী মীওই অমা য়াম্লবা দল্লিয়ু ৱাই তেব্লেটকা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদু থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা থৌবাল মোইজিংদগীনি। মঙোন্দগী দল্লিয়ু ৱাই তেব্লেট কিলোগ্রাম ৩ হেন্না ফংখি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-রাজ্য পুলিসনা ত্রাফিক্কী নিয়ম কাইনা গারি থৌবশিংগী মথক্তা মখা তানা দ্রাইভ চথুরি হায়রি।

**অম্মিক(এল)ঃ** অপুনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাংলুপ (অম্মিক) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট সেন্তরগী ৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**নোং (এল) ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা থোকপা নোংজ নুংশাগী পাউ অমগী মতুং ইন্না- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ঈষ্ট, সেনাপতি, তমেংলোং, কাংপোকপী, উখ্রুল, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা ঙসি ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুরবা য়াই। মফম খরদদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি হায়রি।

**য়োজনাঃ** প্রধান মন্ত্রি ভিক্সিট ভারত রোজগার য়োজনাগী মখাদা প্রধান মন্ত্রি ভিক্সিট ভারত য়োজনা(পি.এম.ভি.বি.আর.ৱাই) পোর্তেলদা ওনলাইনদা রেজিস্ত্রেসন তৌবা হৌরে। থৌরাং অসিগী মখাদা নৌনা থবক চংলবা নহাশিংদা

ইন্সতোলমেন্ট অনি থোকা লূপা লিশিং ১৫ পাবা অমসুং থবক্কী খুদোংচাবা ফংহনবা এমপ্লোয়রশিংগী খুত্থাংদা থবক তৌরিবা মীওই অমমমগী থাদা লূপা লিশিং ৩-৩ ফংহনগনি। স্কিম অসি হন্দক্তা দেল্লিগী লাল কিলাদা পাঙথোকপা নিংতম নুমিৎ পালনগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখিবনি। মসিগী মখাদা এমপ্লোইমেন্ট লিঙ্ক হন্সেন্তিভ স্কিমনা লাক্লিবা চহী ২ গী মনুংদা লৈবাক অসিদা অনৌবা থবক কোতি ৩ মখায় ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। স্কিম অসিনা চহী অসিগী ওগষ্টতগী লৈবাক অসিগী মেন্যুফেকচরিং সেক্তরদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা সেক্তর খুদিংমক্তা হেন্না থবক পীনবা অমসুং সোসিয়েল সেক্যুরিতি হেনগৎনবা পান্দম থল্লি।

**হেলথঃ** কেন্দ্রগী অয়ুস রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ রাউ যাদবনা হায়রি-অয়ুর্বেদাগী লৌশিংনা অঙাংগী অনা-লায়েংদা অনৌবা মঙাল অমা পীবা ঙম্লগনি। অঙাংশিংগী হকশেল অমদি অঙাংশিংদা নাগনবা লায়নাশিংগী মতাংদা ঙরাং নিউ দেল্লিদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা অমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-চাউখৎলক্লিবা খুন্নাই অসিদা অয়ুর্বেদানা অঙাংশিংগী হকশেল ফগৎহনবদা য়ুমফম ওইদুনা থবক তৌরি। মহাকা হায়-অঙাংশিংগী অনা-লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা অখঙ-অহৈশিংনা মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা হকশেলগী শিংনবা কয়া অসিগী য়েংলগা অঙাংশিংবু নিংথিনা য়েংশিনবীগদবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা নেক্স জেনরেসন রিফোর্মসকী লম্বী য়াৎথোকবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা নিউ দেল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুনশি মহিং, করবার তৌবা অমসুং শেলদান লম্বী হেন্না লাইথোকহন্নবা হিরম খুদিংমক নৌনা শেমদোকবা থৌরাং তৌরি। মীফম অদুদা

কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং-অমিট শাহ, রাজনাথ অমসুং নিতিন গদকারিসু শরুক য়াখি।

**সুক্লাঃ** হন্দক্তা ইন্তরনেসনেল স্পেস স্তেসনদা চৎলুবা এগজ্যোম ফোর স্পেস মিসনগী পাইলোট গ্রুপ কেপ্তেন সুভান্সু সুক্লাগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা ঙরাং নিউ দেল্লিগী লোক কলিয়ান মার্কতা উনখ্রে। শ্রী সুক্লা ঐতিহাসিক ওইরবা ইন্তরনেসনেল স্পেস স্তেসন খোঙচৎকী মতুংদা ঙরাং লৈবাক অসিদা থুংলখিবনি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-উনবা অদুদা, শ্রী সুক্লাগী স্পেস খোঙচৎকী মতাং, সাইন্স অমসুং টেকোলোজিগী লমদা খুমাং চাউখৎলক্লিবশিং অমসুং ভারতকী আশা চাউনা তৌরিবা গগনয়ান মিসনগী মতাংদা ৱারি শান্নখি। শ্রী মোদিনা সুক্লাগী খোঙচৎ মাই পাকখিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা, শ্রী সুক্লানা এগজ্যোম ফোর মিসনগী অকুপ্পা ৱারোল অমসুং ইন্তরনেসনেল স্পেস স্তেসনদগী কাপ্লকপা পৃথিবীগী ফোতোশিং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা খুদোল তমখি।

**রিজিজ্ঃ** সংসদতা ঙরাং বিরোধি দলগী এম.পিশিংনা চরাংনবা থোকহন্দুনা অপনবা পীখিবা অদুবু পার্লিয়ামেন্তরি এফিয়র্স মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-লোক সভাদা খন্ননবা পুখৎলকখিবা স্পেস প্রোগ্রাম অসি ভিক্সিট ভারত অমা ওইনবা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী য়ামা মরুওইবা শরুক অমনি। মসিগীসু মথক্তা ইন্তরনেসনেল স্পেস স্তেসনদা খোঙদাখিবা ভারতকী অহানবা এস্ত্রোনোট সুভান্সু সুক্লাগী খোঙচৎ অসি লৈবাক অসিগী ওইনা অচৌবা মাই পাকপা অমনি। মহাকা হায়-সংসদনা লৈবাক অসিগী মাই পুরকপা মীওইশিং মতম পুমমক্তা ইকাই খুমগনি। শ্রী রিজিজ্না হায়-ইলেক্সন কম্মিসনগী থবক থৌরমদা পেন্দবা লৈরবসু কম্মিসনদা অইবা চে পীদুনা খঙহনবা য়াই। কংগ্রেসনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎকা মরী

লৈনবা চে চাং পীশিল্লকবা কম্মিসনননা খঙহনখিবা লৈরে। মসিদা দল অসিনা কম্মিসনবু ইকাই খুমরবদি পাউখুম অমা পীরক্কদবনি।

**দুৱানঃ** দুরান্দ কপকী অহানবা সেমি ফাইনেল ঙসি শিল্লোংগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শিল্লোং লাজোং এফ.সি অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ থেংনরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা কোলকাতাগী বিবেকানন্দ য়ুবা ভারতি ষ্টেদিয়মদা দাইমন্দ হারবর এফ.সিগা ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সিগা হয়েং শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২৩ দা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ভোতর লিষ্টতগী ফোরেনর, ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং মিং ককথৎনবা নেসোনা খোঙজং চংশিনখিবা, মনিপুরদগী নুপী দ্রগ সপ্লাইয়র অহুম মেঘালয়দা ফাখিবা অমসুং অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনননা লৌবা পরিক্ষাদা মনিপুরদা থোক্লিবা ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা শেংদোরকবা মৈতৈ হেরিতেজ সোসাইতিগী ৱাফমা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

ভোতর লিষ্টতগী ফোরেনর, ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং মিং ককথৎনবা নেসোনা সেন্তরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ- পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। নেসোনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাড অসি- পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী এদিসন, গানফিউ মেল অমদি হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- নত্তবা লিচৎ চৎলুবগী চহী ২০ ফাদোক পীখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। মণিপুরদগী নুপী দ্রগ সপ্লাইয়র অহুম মেঘালয়দা ফাখ্রে। মণিপুরদগী লাকপা বসতা দ্রগ পুরকপা অমসু ফাখিবগী পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

এ.পি.এস.ঈনা লৌবা এগজামদা ফংখিবা মণিপুর ক্রাইসিসকা মরী লৈনবা ৱাহং চৎহল্লোইদবনি হায়বা মৈতৈ হরিতেজ সোসাইতিগী ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

সনালৈবাক্তা- মিলালগী মপোক কুমওন পাঙথোক্তুনা মনা লান্থোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরদা হোম গার্দ মশিং লিশিং ৩,৩৯৪দা হেনগৎহন্নবা হোম মিনিষ্ট্রিনা ফরদর এপ্রোপ্রিয়েট এক্সন লৌনবা খঙহল্লকখ্রবসু নমশিন্দুনা থল্লব্রা হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। জেনিমসতা ইন্তর্ণ তৌরিবশিংদা মতমগা চুননা স্তাইপেন্দ পীবীদ্রে হায়দুনা প্রোতেষ্ট তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা ফোঙনরি।

তামেংলোং তাইমসতা- মণিপুরী লোল অমসুং মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গ্যুএজ ওইহন্নবা দিমান্দ হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতি জিলাদা জলজিবন মিসনগী মখাদা থাদরকপা শেন্থং লান্না শিজিন্নরব্রা হায়না আর.টি.আই এক্তিবিজ অমনা মরাল শিরকি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

**--পাউ লোইজরে--**